# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ লম খামেন

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



**ঐখোয়গী** লমদম মণিপুরদা শঞ্জাবুং, তুরেল মপান, লম্বীগী মপান, চীংখোঙ-চীংয়া অমসুং নারক-মোংশোংদা অদুমক মরাং কায়না হৌরিবা ঐখোয়না হাজোংবা পান্বী (weed) অমনি হায়না শীজিন্নফম খঙদনা লৈরিবা লম খামেন হায়না খঙনরিবা পান্বী অসিদা য়াওরিবা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না খঙদনা অমদি থৌৰা শাদনা লৈথোক্লি। লম খামেন পান্বীগী মহয় অসি হেক য়েংবদা মার্বল মানবদগী মার্বল পান্বী হায়নসু অদুমক কৌনৈ। লম খামেন পান্বী অসি ইংলিসতা নাইটসেদ (Nightshade) নৎত্রগা দচ এগ প্লান্ট (Dutch egg plant) নত্রগা লভ এপল (Love apple), চাইনিজদা কা-ছী-কি (Ka xi qie), পোর্টুগীজদা উনিসকা (Unisca) নৎত্রগা জুরুবেবা (Jurubeba) নৎত্রগা গোগোয়া (Gogoia), মালায়ালমদা চুন্দা (Chunda), বেঙ্গোলিদা কোতাহী বেগেনা (Kotahi begena), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটোনিকেলগী ওইবা মমিংদা সোলানম খাসিয়ানম (*Solanum khasianum CB Clarke*) নৎত্রগা সোলানম ভিয়ারম (*Solanum viarum Dunal*) নৎত্রগা সোলানম একুলিয়েটিসিমম (*Solanum aculeatissimum Jacquin*) নৎত্রগা সোলানম কেভালেরী (*Solanum cavaleriei H Leveille & Vaniot*) হায়না কৌই অমসুং খামেন অমসুং লৈপুংখাংগা শাগৈ সোলানেসী (Solanaceae) দা চল্লি। লম খামেন পান্বীগী বোটানিকেলগী মমিং *Solanum aculeatissimum Jacquin* হায়বদি ইহান হানবা ওইনা বোটানিষ্ট Nikolaus Joseph von Jacquin না শোক ১৭৮৭ তা অদুগা Solanum khasianum CB Clarke হায়বসিনা বোটানিষ্ট Charles Baron Clarke না শোক ১৮৮৩ দা শক তাক্তুনা ফোঙদোকখি।

পাউদমগী মতুং ইন্না লম খামেন পান্বী অসি ভারত্তগী হৌরকখিবনি। অৱাং নোংপোক ভারতকী মনুংদা লম খামেন পান্বী অসি খাশী, জেন্তিয়া, নাগা হিলস অমসুং মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ২০০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। লম খামেন পান্বী অসি সিক্কিমদসু হৌবগী পাউদম লৈ। ভারতকী অতোপ্পা লম খামেন পান্বী হৌবা মফমশিংদি ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওরিষা অমসুং মথক থংবা গঙ্গাগী মফমশিংনি। লম খামেন পান্বী অসি ম্যান্মার অমসুং চাইনাগী মফমশিংদসু হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ভারতকী ময়ায়থংবা শরুকশিং মরুওইবা মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী মফমশিংদসু লম খামেন পান্বী অসি অদুমক হৌবা থেংনৈ। পাউদম খরগী মতুং ইন্নদি লম খামেন পান্বী অসি অফ্রিকাগী লমদমদগী হৌরক্লগা ভারত অমদি অকোয়বা লৈবাক খরদা শন্দোকখিবা ওইরমগনি হায়বগী থাজবশিং ফোঙদোক্লি। অদুম ওইনমক অয়াম্বা পাউদমশিংদদি লম খামেন পান্বী অসি ভারত্তগী হৌরকখিবনি হায়না ইরি।

লম খামেন পান্বী অসি ফুট ৫ ফাওবা ৱাংবা মশা য়াম্না লোঙবা শ্রব (Shrub) পান্বীনি। পান্বী অসিগী মশা পুম্নমক মরুওইনা মখোক-মশা অমসুং মনাশিং অদু য়াম্না থৌবা খরা কোন্তক তৌবা (Recurve) তিংখংশিং য়াম্না কুঙনা পাল্লি। পান্বী অসিগী মনা অসি খামেন বার্মাশিকাগী মনা অদু য়াম্না মাল্লি। লম খামেনগী মহয় অসি মার্বলদগী খরা হেন্না চাওরপ তৌই অমসুং নৌরিঙৈ মতমদা ঙৌরুনবগা অশংবগা মরাং-মরাং লাংই অদুবু মপুং ফানা মুনলবা কান্দদি মচু অদু হঙ্গামপাল ওইরকই। পান্বী অসি চহী ১ দগী ৩ ফাওবা পুন্সি।

লম খামেন পান্বীদা য়াওবা মরুওইবা হীদাক্কী মগুন য়াওবা এলকালোইদশিং অদুদি সোলাসোদিন (Solasodine), মসিগী সোলাসোনিন (Solasonine) অমসুং সোলামার্জিন (Solamargine) হায়রিবা Triglycoside শিং অসিনি। হীদাক-লাংথক শাবা কম্পনিশিংনা কোর্টিসোন (Cortisone) হায়রিবা Steroid হোর্মোন অমসুং অঙাং য়ৈথনবা হীদাকশিং শাবদা লম খামেন পান্বী অমসুং অতোপ্পা পান্বী খরদা য়াওরিবা সোলাসোদিন হায়রিবা এলকালোইদ অসি Starting compound ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিব সোলাসোদিন অসি য়াম্না লায়না 16-dehydropregnenolone হায়রিবা ষ্টেরোইদ হীদাকশিং শাবদা মরুওইবা মরক্কী পোৎশক (Intermediate) অসিদা ওন্থোকপা ঙম্বা মরম্না সোলাসোদিন অসি দাইওসজেনিন (Diosgenin) হায়রিবা হীদাক শুংবদা শীজিন্নরিবা কম্পাউন্দ অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নৈ। Solamargine অমসুং Solasonine হায়রিবা Solasodine গী গ্লাইকোসাইদশিং অসি



Biological activities উৎপা মরম্না হীদাক মখল খরা শাবদা শীজিন্নবা য়াই। মসিগী মনুংদা উনশাগী কেন্সর মখল খরদা থোইদোক্না কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অদুনা মখা তানা হায়রিবা গ্লাইকোসাইদশিং অসি মখল খরগী কোকফাই-শুজা (Fungi), ভাইরস, তীন-কাঙগী মরমশিং অসি ঙাকথোকপা নৎত্রগা হাৎপা ঙাম্মী। হায়রিবা সোলাসোদিন অসি লৌনবগীদমক্তা লম খামেন পান্বী অসি ভারতকী মফম খরদা মরুওইনা মহারাষ্ট্রদা পাক-শন্না থানৈ। সোলাসোদিন অসি লৌনবগীদমক্তা অতোপ্পা লম খামেন মখল (Solanum laciniatum) অসি রশিয়াদা অদুগা মখল (Solanum aviculare) অসিনা ন্যু জিলেন্দদা পাক-শন্না থানবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদমগী মতুং ইন্না লম খামেনগী অকংবা মহয় অসিদা সোলসোদিন অসি চাদা ২.৫ দগী ৫ ফাওবা য়াওই। লম খামেন পান্বী অসি হেক্টর অমা থাবদা চহীদা মহয় কেজি ১০,০০০ রোম পুথোকপা ঙম্মী অমসুং মদু কংহল্লগা কেজি ২,৫০০ রোম ফংবা ঙম্মী। লম খামেন পান্বী অসি লমলেম (Wasteland) অমসুং শীজিন্নদনা লৈরিবা মফমশিংদা থাদুনা মণিপুরদা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংবা ঙমগনি।

# থবক য়াম্মন্দনা মসিমদি কাওরম্লজাৎলা !

- *অমরজিৎ খাঙেম্বম*

**হোটেলগী** চাসিসু মহাও অমনি। য়ুমদা শঙ্গোমনা নং নং লাওবা মখে লোল্লসু ইনে বিমোলাগী চাগী মহাওসু তোঙাল্লি। চা গ্লাস অমতা পীবীরকউ ইনে হায়না ফমথবদা ঙাইরি। তা চাওবসু কদায় চৎলুবনো খঙদে শৎ ফাওজিল্লকই, অয়াঙবা গাড়ীনা ব্রেক খংফা ফাবদৌনা। মহৌশানা খরসু ফিংগনবা ৱা ঙাঙবসু য়াম্না হৈবা মীনি। হে... বিমোলা চাদো গ্লাস অমতা পীরকউ। অদুদগী মখা তারকই তা চাওবনা ও ... হয়েংদো ঐখোয় তা বিরেনদো মাগী গো টু ভিলেজগী প্রোগ্রামদো ঐখোয় স্বাইদা লাক্কনি হায়রকই ঐ মহাক উনরুবনি হল্লকপদা ঙাইরি নঙগীসিদা চা থক্লিসিনি। মাগী পাউদো ঐদি খ্বাইদগী তাবদা নুংঙাই, হয়েং সী এম লাক্কনি হায়বদুদা। তা চাওবনা মখা তারকই ঐখোয়গী সী এমসিনা অসুক য়াম্না মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনদুনা লাক্লিবসি নুংঙাইত্রো। মসিদা ঐনা হায়নিংবা অমদি লৈ। করিনো তা চাওবনা হায়নিংলিসিবু। অদুবুরো লমদমসিগী হৌজিক খ্বাইদগী চাওরবা ইস্যু অমা হায়রগদি আই এল পি অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমনা লমদমসিগী য়ুন্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোল কয়াগী পুন্সি নোংমা নোংমগী তেমশিংনরকপা লেপত্রিবা অসিমসুনি। মসি লল্লোনবা করবার তৌবা শেঞ্জাও পায়বা কাঙবু অমা শোয়দনা লৈফম থোকই। লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইফম থোক্লিবা থবক্তি মসিবু থিংননবা হোৎনবা অসিনি। মমাঙগী লৈঙাক অমদি হৌজিক্কী লৈঙাকশিংনা দ্রগকা মরী লৈনবা কেস অমত্তা নাখে শেংনা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীখিবগী ৱাফম লৈত্রিবরা হায়না খল্লি। ফারিবা দ্রগ অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে, লুরিবদি মদুগী মরুওইবা দ্রগতুগী মপু অমত্তা ফাবগী পাউ লৈতবদৌনা তৌরি। হায়রিবা দ্রগশিং অদুগী মপু অমদি লৈতবা নত্তে। মণিপুরদা লালহৌবগী লৈফম কাচিন-কোয়া ফাওবা পুলিসকী ইন্টেলিজেন্স নেটৱার্ক ৱাংবদগী অমত্তা চিংখদনা ফাবা ঙল্লগা লোয়ননা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক ফাওবা তৌবা ঙল্লবা অসিদা হায়রিবা দ্রগশিং অসিগী অশেংবা মপু অদু ফাবা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়নিংদ্রো। হায়রিবা দ্রগশিং অদুগী মপু ইন্টেলিজেন্স কাঙবুনা দ্রগতুগী অশেংবা মপু হায়দোকপা য়াদবা অমমুক লৈবজাৎলা হায়বদুদি খঙদ্রে অঙম-অথৌগী খুৎ য়াওবগীরা খঙদ্রে। অমরোমদা য়ু করবার তৌবদা লৈঙাক্কী মেছিনরি কয়া য়াওরম্বগী সোসল মীদিয়াদা ফাওবা য়াওনখ্রে। ঙক্তবা ঙমদে কংলৈপাক অঙকপনা থল্লবা তাইবংপান হায়দু মশোয়দ্রে। লৈবাকসিদি লো ফাওবা অঙম-অথৌশিংনা পায়শিন্দুনা থম্বদৌনা পুনিংবা মওংদা পুবগুম্বা অমসু লৈবগুম তৌরি। মতম কুইরবগী তুংদা হৌজিক বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী ওনরেবল সী এম বিরেনগী লুচিং মখাদা লমদমসিদা অওনবা অহোংবা কয়া অমা লাকখ্রে লাক্তে হায়বদি শুকঙম হেক ঙমগদবা মী লৈত্রে হায়না লৌববু য়ারবনি। পায়খৎলিবা অনৌবা অহোংবা কয়া অসিগী মনুংদা হায়রিবা দ্রগ করবার তৌবশিং অমদি মীশক অদু কনানো হায়বা পুথোক্তুনা অচৌবা ওইগেরা মচা ওইগেরা অহকপা চৈরাক অমা পীবীদুনা লমদম অসিগী নহারোলশিংবু পুন্সি কয়া শিবগী খয়াৎতগী কনবীহৌবা অসিনা হেন্না মরু ওইব্রা হায়বসিসু হায়জনিংই। দ্রগনা লাইচুরবা কয়া শিখিবা অমদি শুম চারবা য়ুন্বীদৌনা নহারোল কোকথোং অমা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা শুনিং নোম্নিংবা হায়বদু লৈরক্রে ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈখিবনা। অদুগা লমদম অসিদা মীতোপ্পা নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম ৱাংখৎলকপনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী মাইনোরিটি ওইখিবা য়াবগী অকিবসু লৈতবদি নত্তে। অদুমকপু মীতোপ চঙলকপা থিংনবগী থবক কয়া লৌখৎতে হায়বসু য়ারোই সী এম মশামক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবগী ৱাফম ফাওবদি লৈখ্রে। ফৈ য়াম্না ফৈ লৈবাক অসিগী লুচিংবা অমগী থৌদাং চাওনা লৌবীরি। অদুক্কী মতিক পেঞ্জে পায়খৎলিবা থবক খুদিংমক। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা মহৌশা মহৌশাগুম দ্রগকী কেস অসি ইচিৎতা-চিংখবদৌনা তৌরিবোই মখল্লি ঐদি। নহারোলগী পুন্সি অশিবগী খয়াৎতগী কল্লম্বা অসিদগী হেন্না ফবা থবক কদায়দবু লৈরিগে মালেমসিদা। চীংনুং-মান্নুং, খুঙ্গং-খুয়া, খুরক, কাচিন-কোয়া চৎতুনা মীয়ামগা হকথেংননা উনবীদুনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ফজখ্রবা থৌরাং অমা ওইরিবসিগী মনুংদা লমদমসিদগী দ্রগ লল্লোনবা থিংনবা অখন্নবা থবক অমা লৌখৎহৌবা তঙাইফদবা অমা লৈরি। য়ু খরা ফারগা য়ুঙাং খরা থুগায়রগা হেক্তা নহারোল কয়াগী পুন্সি কনবীবনি হায়না লৌবা য়াখিরোই। সোমদা শেল পায়বা তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈবা কয়া অমনা তৌরিবা দ্রগ করবার ঙসি ফাওবা মপু অমত্তা ফাদুনা চৈরাক পীখিদ্রি হায়না লৌবা য়াই। মপু ওইগেরা ওইরোইগেরা দ্রগ করবারদুদা চেন্নরিবা খুদিংমক অহকপা চৈরাক পীদ্রগদি কৈদৌঙৈ দ্রগ থিংবা অমদি নহারোলশিংগী পুন্সি কনবা ঙল্লোই। মসিদা শক-মায় য়েংবগী চৎনবী থুগায়বীরো অমদি শেঞ্জাও থাদুনা করবার তৌরিবা শঙ্গ লৈবা শক্তি পায়বা মীওইশিংনসু অসিগুম্বা লমদম অসিগী নহারোল কয়াগী পুন্সি কলহৌদবা তারগদি লমদম অসি মাঙখিবা তারে খনবীবগী মতম ওইরে। লন-থুম কোকথোং অমা লৈদুনসু মীওইবা হায়বা জিবসে শিবসু লৈ অমর নত্তে। শুম চারবা মালেম অমদা লন-থুম কোকথোং অমা পৈশিন্দুনা থম্লুবগী কান্নবা লৈগদ্রা হায়বা অদুসু অমুক্তং নৈনদুনা য়েংবীয়ু। মপান লমগী লৈবাক মলেসিয়াদা মণিপুরদগী নুপী অমা হৌখিবা ২০১৩ গী ওক্টোবর ৭ তা পেনাং ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা Methamphetamine দ্রগ ১.৬ কেজি পুরম্বগী দেঞ্জরস দ্রগ এক্ট ১৯৫২ গী মখাদা দেথ সেন্টেন্স ফাওবা পীখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। অসিগুম্বা চৈরাক ফাওবা পীবা লৈবাক অদুদা ওইরমগদবা ফিভম অদো য়েংনিংবা পোক্ত্রো। ঐখোয়গী লমদম অসিগী এয়রপোর্টতা ফাখিবা দ্রগ হায়নিংঙাই লৈতনা অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে ঙসিফাওবা কেস অমত্তা লোইশিন্দুনা চৈরাক পীখিবা লৈখিদ্রি। দ্রগ ফারুবা পুলিস কয়া ট্রান্সফর, সস্পেন্দ লৈবা ফাওবা য়াওখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা স্পেসল ইন্টেলিজেন্স য়ুনিট ফাওবা খুদক্তা মুখৎখ্রিবনি। মসিদবু দ্রগ থিংলিনি হায়না লৌদোইরা নৎত্রগা থিংদে হায়না খন্দোইরা মীয়াম্না লোইনা উরবা তারবা ঙাক্তনি। অদুনা চৈরাক পীবা হেক তপ্লিখৈ ক্রাইম মশিং অসুম য়ামখৎলক্কনি হায়বসি শোয়দ্রে। দ্রগ করবার তৌবদা ফারবা খুদিংমক ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা অখন্নবা টিমশিং, ব্যুরোক্রেট ওফিসর খুদিংমক লমদমসিগী মৈরা পায়বীনা হেন্না কোক ৱাংবজাৎলা হায়নিংবসু লৈরি। অদুগুম্লবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং অদুনা ইনক্বাইরিদা চহী মশিং খঙদনা ননশিল্লগা মৈরা পায়বীনা কেস ১০০ লোইখিবগী থৌওং অসিনা লমদমসিদা ইনক্বাইরি তৌরগা অচুম্বা পুথোক্কনি হায়বসি খন্নদ্রে। লমদমসিগী নহারোল কয়ানো মাঙদৌরিসি, নহারোলশিং অসিগী তুংগী য়ুন্বীনি হায়রগা অসিগুম্বা পুন্সি মাঙবা য়াবা মাঙদা তাদুনা লৈরবা থবক অসিবু অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা অচুম্বসু য়াম্না পামজবা সী এমনা হেন্না কনবা মীৎয়েং অমা চঙবা তপমল্লি হায়সিরা নৎত্রগা চিংথরম্লে হায়সিরা। হয়েংদি মসি হান্না হেক্তা মহায়রগে ঐদি চাক থোংবগী গ্যেস লৌবকা লায়রি। শিবু শিদ্রদি চাক্তি অদুম চাদৌ লৈরসিবু। মীয়ামগীদমক্তা য়াইফনবা অহিং নুংথিল তুম্বা চাবা খঙদনা অসুক কন্না হোৎনরগা লমদমসিগী দ্রগনা লাইচুরবা শিবগী খয়াৎতগী কন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়না তা চাওবনা ঙাঙল-ঙাঙলগা ইনে বিমোলাগী হোটেলদগী মুরুম-মুরুম শোল্লগা চা থকপগী শেল পীরমদনা চৎখিবদো ঐসু য়েংদুনা লৈহৌরে। তাঞ্জাদুদা ইনে বিমোলানা ও.. ও.. তাদা চা ... হায়রকপদুদা মখা তাদ্রিঙৈদা ঐনা ইনে ঐ পীরগে হায়রুরনু হায়না শেলদো ঐগীগা পুন্না লৌবীরো হায়না লুপা তরা চৎপী অমা শৎ পীবদগী তুমিন লৈখ্রে ইনেদো ঐসু য়ুমদা হল্লক্লে। লম্বীদা লাকপদা ঐনা সুম খল্লি ঙসাইগী তা চাওবগী ৱাফমদো সী এমগী মীয়ামগী নুমিৎ হায়বা থৌরমদুদা কনা অমত্তনা হায়রদবজাৎ!! হায়রমদৌ মানদেদা মীশিংসে মাগী মাগী শোয়দ্রগা লোইরে খন্নবজাৎনি লমদমসিগী মীয়ামগী অফবা থবক্তি অমত্তা হায়নদবজাৎনি। মসি খন্না খ্বাঙ তিংথোক্কে হায়না ফমুংদুদা হিপথখ্রে। ফমুংদুগী ৱাখলনা মথংগী নুমিৎতা অমুক ইজরক্লগে।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এদেদ স্কুলগী এসোসিএসন অমদি ওজাশিংদা থমজনিংবা ৱাফম

**লমদমসিদা** চীং অমসুং তম অনীমক অসিদা হৌজিক হৌজিক এদেদ স্কুল ৬০৫ লৈরিবা অসি চহী ৩৮ মপুং চপ চানা ফারক্লবনি। অদুবু ঙসিগী অমদি মমাংগী লৈঙাক্লা য়েংশিনবীবগী মহুৎ হন্থবা থাক্তা অমদি ঙল্লবদি মুৎননবা হোৎনদুনা উকংনা শাবা মরোন থোক্তবা মনা পংবা লৈঙাক ওইনা লৈরক্লি। স্কুলশিং অসিগী এসোসিএসন অসি চীং তমগী অপুনবা স্কুল অমদি ওজাশিংগী অকুৎ অহো অমদি ওপসন কয়া মতম মতমগী লৈঙাক্তা অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙদা স্কুলশিং অসিগী ওইবা দিমান্দ কয়া তানবা অমদি হায়জবা তক্লবা তৌবীনবগীদমক শেমখিবনি। মসিদা এসোসিএসনগী স্কুল ময়ামগী অমদি ওজা ময়ামগী ৱাকৎ তানবদা থওই ৱাওইদনা লৈবদা মখোয়গী মতেং পাংনবা মখোয়গীদমক লেপ্পীনবা চীং অমসুং তমদা ওজা কয়ানা শেম-শাদুনা লৈরিবনি। এসোসিএসন অসিনা মরম চাবা, পীফম থোকপা দিমান্দশিং তানবা লোয়ননা মরুমদা লৈরিবা ওজাশিংগী অৱাবা অমদি খোল্লাউ কয়া তারবদি লৈঙাক্লসু মরী লৈনবা লোয়শঙনসু এসোসিএসনবু ইকায়খুম্নবা অমসুং ৱাফম খুদিং লুম্না লৌবীগদবনি। মরমদি মীয়ামগী খোল্লাউনা মপু ইবুংঙোমক্কী শক্তিদগীসু হেন্না কল্লি হায়নরিবনি। হৌজিক ঐখোয়গী তক্লবা য়াবা অৱাৎপা, মরম য়াম্নসু চাবা হীরম কয়ামুক লৈরবনি। মসিদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈবনদি লৈঙাক্লা খঙনা কৈদৌঙৈদা পীগে খনবীরোই। হীরম খরা পল্লবদা স্কুল অয়াম্বা এপ্রুভ ওজা ৩ লৈবা ৫ লৈবনা অয়াম্বনি। মদুগী ফ্লেট রেট অদুনা ৱানা পুরিবা ওজা ১৭/১৮ য়েন্নদুনা চামিন্নবনি। অদুবু চহী শুদুনা ওজা অমা থবক্তগী পোথাখিবা অনী পোথাখিবদা চহী অনী অহুম ফাওবা অহাংবা পোষ্ট মেনশিনবীদবা অদুগা মেনশিনবা তারবসু খুদক্তগী ওইনা ইফেক্ট তৌবীবা মসিদা থেংনরিবা অৱাবা অসি লৈঙাক্লা অমসুং মরী লৈনবা লোয়শঙনা উবীদবা অসি মফম অমত্তদা চৎনরোইদবা মমাংঙৈগী মীনাই লোইরগা থবক পংশু শুহনবা পীজবদি নিংথিনা পীজদবা অদুগুম্বা চৎনবীনি। অঙাং শেম্বগী মথৌ তৌজরিবা ওজা অমদা সেঙ্কসন পোষ্ট অমগী শেনফম্না মী ১৭/১৮ য়েন্নবা/শিনবা অসিবু মপি-মপা অমা ওইনা করম্বা লমদমদা চৎনরমগনি। অতোপ্পা অমনা ইং ১৯৮০ গী ওক্টোবরগী অহানবা তারিক্তগী গ্রান্ট ফংবগা লৈঙাক্কী থৌমী অমগা মান্নন অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা কুম্মৈ হরাওগী অথোইবা শেনফম ফাওবা ফংহনলম্বনি। অদুবু ইং ২০১০ গী আর ও পি লাকপদা এদেদ হায়বা অসিদা মীনাই অমদা য়েংবা মীৎয়েংদা থম্বীবা অসি মালেমদা লৈবা মীওইবা জাতিলক্তা য়েংনবা মীৎয়েং নত্তে। অদুনা অতৈমক নৎত্রবসু মথক্কী পঞ্জখ্রিবা হীরমশিং অসিবু এসোসিএসন অমসুং এদেদকী ওজা খুদিংনা খাংদুনা লৈবা তারিবরা? মসিগী ৱাফমশিং অসি ঈশিংদা লৈতুম থাদবগুম লৈবা অসিবু করম্বা মওংদা লৈরিবনো? হায়রিবা হীরমশিং অসি খ্বাইদগী মরম চাবা মপি মপা অমদা হায়বা য়াবা, পীফম থোকপা মচাক ঙাক্তনি। অসিগুম্বা অহোবা ময়াম লৈরবদা এদেদ ওজাশিংনা করম্না মথৌ তৌনিংফম থোকপগে। অদুনা এসোসিএসনননা ওজাশিংগী মরম চাবা দিমান্দশিং তানবা, ওজাশিং, মীয়াম পুনবা য়াবা থৌরাং শিনবীবগী মহুৎ তুমিন্না লৈশিনবা অসি ওজা ওইরিবা কয়াসি পেল্লিবরা ঐখোয় করি তৌশিগে হায়বসি হৌনরুবা নাইদনা চোংথোক্লবা মতম য়ৌরে। এসোসিএসন ঙাইরবদি শিবনা হানবা তারে। ৱাফম অসি নুংশিজরবা ঐগী এসোসিএসনগী ওজাশিংনসু থোইনা ৱারৌবীরোই। অদুবু ইথৌদি মশক খঙনসি। মথৌ খঙদ্রবদি মসিদগী তোনবা লৈতে।

*অদোমগী, এস থম্বৌ সিংহ, ককচিং খুনৌ হিজম লৈকাই*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৬

১। মৈতৈ য়ূমশারোলদা ইঙ্খোল অমবু য়ূম্ফম কয়া থোক্লা খায়দোক্লগা য়ূম শাফম য়েংনৈ।
(ক) য়ূমশারোলদা য়ূম্ফম কয়া থোক্লা খায়দোকপগে?
(খ) য়ূম শাবা ফৈ হায়নরিবা নোংচুপ ময়ায় অসি করি য়ূম্ফম কৌবগে?
২। “শম্বলনা কোয়শিল্লগা নরন্নাই নুংঙাইনীংবা, উপাধী নম্বো পোরগা পূক্লিং থম্মোয়দদি নমথিবমখৈ মোৎপা-চাওখৎপগী ঈচাওনি হায়না লৌগনু।” পরেং অসি রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা মচা অমদগী লৌথোকপনি। লীলা মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “হৌজিক্তি ঐগী থম্মোয়দা থৱায় য়াওদ্রে। থৱায়দু কদায়দা চৎখ্রে। থম্মোয়গা থৱায়গা পূনশিল্লু য়াদ্রে।” পরেংশিং অসিনা শ্রীবিরেনগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। “নুপীদা নুপী ওইবীগী খোন্থোক্লি/...খূৎনা তপ্পা মেঙনা মোজা লোনবগী মওংনি/... তম তারবা তুরেল মচাগী ঈচেলনি।” ৱাহৈশিংসি সী ঐচ মনিহারনা অইবী অমবু হায়রম্বনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। কৈশাম ওমনাথনা হন্দোকখিবা তুলসীদাসকী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

